# নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা ইমর্জেন্সি নীংশিংখ্রে, দেমোক্রেসিবু লায়থোক্লা খন্দনবা অপিল তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মতম অমগী ইমর্জেন্সি অদু নীংশিংখ্রে অমসুং মীয়ামনা নুংতিগী লেপ্লিবা পূন্সিদগী দেমোক্রেটিক রাইটশিং শেৎতোক্কুনা মুনখিদ্রবদি, মদুগী নুংঙাইবা মহাও খঙবা লূগনি হায়রদুনা দেমোক্রেসিবু কৈদৌঙেদা লায়থোক্লা খন্দনবা অপীল লৌখ্রে।

লৈঙাক্কী শক্তি অমুক হন্না পায়রকখ্রবগী তূংদা থা খুদিংগী রেদিওদা পীবা মহাক্কী অহানবা 'মন কি বাট'তা মহাক্না হায়খি– ঐখোয়না নুংতিগী মতম চানা নোংমগী চরা চাবা ফংলিবা মখে, পুক লান্থগী অৱাবা চৈনা কৈনো হায়বদু খঙবা ঙম্লোই। অসুন্না ঐখোয়গী নুংতিগী লোল্লিবা পূন্সিদা ঐখোয়দগী দেমোক্রেটিক রাইটশিং শেৎতুনা মুনখিদ্রবদি দেমোক্রেসিগী নুংঙাইবা অদু খঙবা ঙম্লোই। মদু খঙদে হায়দুনসু ঐখোয়না দেমোক্রেসিবু খক মীরাইরোইদবনি হায়খি।

মতম অদুগী ইমর্জেন্সিগী মনূংদা লৈবাকসিগী সিটিজন খুদিংমক্না মখোয়গী ওইরম্বা করিগুম্বা খরা শেৎতুনা–মুন্দুনা লৌথোকখ্রে হায়বগী ৱাখল ফাওবা হৌরকখি।

মুনখ্রিবা পোৎশক অদু মীওই অদুনা অমুক্তা নুংঙাইবা ফংখিদ্রিবা ওইরবা ফাওবদা অরোইবদদি থম্মোয়নুংগী অৱাবা চৈনা অমা ওইরক্কনি হায়খি।

লৈবাক–খুন্নাইগী অফবা কাঙলোন অমা লৈহন্নবা কনষ্টিট্যুসন অমা মথৌ তাই। লোজ অমসুং রুলশিং মথৌ তাই। রাইটস অমসুং দ্যুটিশিং মসিগী শরুক অমনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা নীংশিংখি।

জুন ২৫দা ইন্দিয়ানা মতমদুগী ইমর্জেন্সিগী চহী ৪৪ শুরকপগী থৌরম পাংথোকখ্রে। ১৯৭৭গী লোক সভা মীখলদা মীয়ান্না অতৈ হকশিং অমসুং মথৌতাবশিংগী করিমতা নাচুংদনা ভোট থাদখ্রে। অতৈ অমত্তগী খন্দ্রবসু মখোয়না সুপ্নতগী দেমোক্রেসিবু কন্নবগীদমক ভোট থাদখি। অসুন্না লৈবাক অসিনা ১৯৭৭দা অসিগুমবা মীখল অমা থেংনখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা পল্লদুনা ভোটর ক্রোর ৯১ লোমগী মনূংদগী রেকোর্দ ওইনা ক্রোর ৬১না মখোয় মশাগী মীহুৎ খঞ্জনবগী মখোয়গী হক শিজিন্নখি। করিগুম্বা নখোয়না 'চিনা' য়াওদনা তাবা তারবদি ইন্দিয়াদা ভোট থাদখিবা মীগী অপূনবা মশীং অদু মালেমদা লৈরিবা লৈবাক অমা হেক্তগী অপূনবা মীশীংদগী হেল্লি।

২০১৯ লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবা মীগী মশীং অমেরিকা পূম্বগী মীশিংদগী হেল্লি, মদুগী শরুক অনীরোম ফাওবা য়ৌনীংচিং ওইখি। ইন্দিয়াগী অপূনবা ভোটর মশীং অসিনা য়ুরোপকী অপূনবা মীশিংদগীসু হেল্লিবনি হায়না 'মন কি বাট'কী ৱারোলদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

মীখল অদুদা ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা চাওথোকচবা পোকহল্লিবা অতোপ্পা ৱাফম অমদি মদু নুপাশিংনা তৌবগুন্না হৌজিক ফাওবগী মনূংদা নুপীশিংনা থৱাই–হকচাং য়াওনা ভোট থাদখিবা অহানবা অমনি হায়খি।

হন্দক্কী মীখল অদুদা ভোট থাদখিবা নুপা অমসুং নুপীগী চাংচৎ অসি চপ মান্নখি। মসিগী মথক্তা ঙসি ঐখোয়গী পার্লিয়ামেন্টতা রেকোর্দ ওইবা মশীংদা নুপী মেম্বর ৭৮ লৈরে। ইলেক্সন পাংথোকপগী থবকশিং অদুগা মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক অমসুং ইলেক্সন কমিসনবু ঐহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি অমসুং ইন্দিয়াগী ভোটরশিংগী ৱাখল তাবা অদুবুসু ঐনা সেলুট তৌজরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

# ৱার্ল্ড বেঙ্কনা পাকিষ্টানগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ৭২২গী লোন অয়াবা পীখ্রে

***ইস্লামাবাদ জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না ৱার্ল্ড বেঙ্কনা পাকিষ্টানগীদমক কারাচিগী সিভিক অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ফেসিলিটিশিং ফগৎহন্নবদা অয়াম্বা শিজিন্নগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৭২২গী লোন অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

অয়াবা পীরবা লোনগী শেনফম অসিদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৬৫২দি কারাচিগী দিভলপমেন্টকীদমক শিজিন্নগদবনি অমসুং লেমহৌরিবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৭০ অদু লৈবাকসিগী অৱাং–নোংপোক থংবা খাইবর–পাখতুনখৱা রিজনদা টুরিজম সার্ভিসশিং ফগৎহন্নবগীদমক শিজিন্নগনি হায়না ঙরাংগী এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউনা হায়খি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী বোর্দ ওফ দাইরেক্টরসনা শগোলশেল নুমিৎতা পাকিষ্টানগী লোন অদু অয়াবা পীখিবনি।



কারাচিদা পাংথোক্কদৌরিবা প্রোজেক্টশিং অদুনা অর্বান মেনেজমেন্ট, পব্লিক ট্রান্সপোর্ট, সেফ ৱাটর অমসুং সেনিটেসনদা অহেনবা মীৎয়েঙ থমগনি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্কনা মখোয়গী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

কারাচি সিটিগীদমক মথঙ চহী ১০গী মতমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৯–১০ শিজিন্নবগী মথৌ তাই হায়না পাখিবা কারাচি ট্রান্সফোর্মেটিব ষ্ট্রেটেজিগী ফাইন্দিংশিং অদুগী য়েঙলগা প্রোজেক্টশিং অদু অয়াবা পীখিবনি।

অচৌবা শেনফম থাদবগী মথৌ তারিবা অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা সিটি অসিনা মথৌ তাবশিং ফংহন্নবা রিছোসশিংদি মতিকচানা পুথোক্তে হায়না ষ্টদি অদুনা ফোঙদোকখি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউ অদুনা হায়খি।

# দিমিলিটরাইজ জোন লাম্হোক্কুনা নোর্থ কোরিয়াদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিম জোং উন উন্নখ্রে



***পানমুনজোম(সাউথ কোরিয়া), জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

য়ু এস প্রসিদেন্ট অমনা ইতিহাসিক ওইরবা অহানবা অমা ওইনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লৈমাইদা খোঙদাদুনা পিয়োংয়াংগী লূচিংবা কিম জোং উনবু মহাক্না উন্নখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী লৈবাক মনূংদা খোঙ থাংজিনবদা অমখক্তা ঙাইরবা সিট্টিং য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইখ্রবগী মিনিৎ খরগী তূংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা কিমবু মীফম অমগীদমক নোর্থ অমসুং সাউথ অনীবু খাইদোক্লিবা পরীং অদুগী মথক্তা পুরকখি। মফম অদুগা ৱারী শান্নবদা পিয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগী মতাংদা ৱার্কিং– লেভেলগী ৱারী শান্নবা হৌননবা মখোয়না য়ানখি।

মখোয় অনী উন্নবদুদা ট্রম্পনা নহা ওইরিবা লূচিংবা অদুবু মহাক্না পাম্বা মতম অমদা হেক্তা লাক্লবা হ্বাইট হাউসতা বার্ত্তন তৌখি। মসি মালেমগীদমক অচৌবা নুমিৎ অমনি অমসুং মফম অসিদা লৈবা হায়বসি ঐগীদমকসু ইজ্জৎ অমনি। অচৌবা থবক কয়া মফম অসিদগী থোক্কদৌরি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

খন্নবগীদমক মখোয়না ফমথরকখিবগা লোয়ননা কিমনা নোর্থ অমসুং সাউথ অনী থোক্না খাইদোকপগী খুদম ওইরিবা মফম অমদা মখোয়গী শান্তিগী খূৎ শোক্নবা অদুনা হৌখিবশিং কাউথোক্লবা ঐখোয়গী অনীংবা অদু উৎলে হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উনগা, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অনীগী হৌখিবা চহীদা সিঙ্গাপোরদা পাংথোকখিবা অহানবা সম্মিট অদু নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম চংখবা তোকহন্নবগী মতাংদা মরীক চুমদবা অমসুং ময়েক শেঙফাত্তবা ৱারেপ অমা লৌখি।

অনীশুবা সম্মিট চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামগী হানোইদা পাংথোকখি। মদুদসু য়ান্নবা অমত্তা ফংবা ঙমদনা ৱারী শান্নবদু কায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল কয়ামরুম কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবা অমসুং হৌজিক ফাওবগী মনূংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট পাংথোকখিবদগী ২০১৭দা পিয়োংয়াং অমসুং ৱাসিংটনগগী মরক্তা উংখৎনবা ৱাংখি। লূচিংবা অনীনা অমনা অমদা ঈকাইবা পীনখি অমসুং লানগী শীংনদুনা কিহন্নখি।

অদুবু হৌজিক্তি ইতিহাসিক ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী লৈমাইদা য়ু এস প্রসিদেন্ট অমনা অহানবা ওইনা খোঙদাবা ওইনা দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাক অসিদা চৎতুনা কিম জোং উনগা উন্নখিবা অসিনা হান্না পন্দুনা লৈরখিবা নেগোসিয়েসনশিং অদু অমুক হৌবা য়াবগী ওইথোক্লিঙাই লৈরকখ্রে হায়না ষ্টিমসন সেন্টর এসিয়াগী এনালিষ্ট দেবিদ কিমনা হায়খি। দিমিলিটরাজ জোন (দি এম জেদ) অসি মালেমগী ইকোন কোনবা ওইনা লৈহৌরিবা কোল্ড ৱারগী ঙমখৈনি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 252, 19kg -52
Time : 07.30 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 15/06/19
Valid : 03/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**M M Gas**
Booking : 25/06/19
Valid : 15/06/19
Stk : 540, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Came First Serve

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalaxmi Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 25/06/19
Valid : 24/06/19
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
Stk : 286
Time : From 08.30 a.m.

**Patsoi Indane**
Booking : 16/05/19
Valid : 10/05/19
Stk : 306
Time : 06.00 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 30/06/19
Valid : 12/06/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

# বদগাম দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট হাৎখ্রে

***শ্রীনগর, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী বদাগাম দিষ্ট্রিক্টকী মনূং চনবা বুদগাম এরিয়াদা খূৎ থোক্লবা অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

হায়রিবা মফম অদুদা টেরোরিষ্টশিং লৈবগী পাউ ফংলবা তূংদা ঙসি অয়ুক ময়াই থংবা কাস্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎলৈ থুনা চংশিন্দুনা কোয়শিনখি অমসুং থিবা–হুম্বগী ওপরেসিন চংখি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। হৌজিকসু মখা তানা খূৎ থোক্করি অমসুং নাকন অনী কাপ্লবদা টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে। হৌজিকসু টেরোরিষ্টশিং অদুগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগা নোংমৈ কাপ্পরিবনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী ওপরেসন অদু মকা চংখিগনি হায়না সি আর পি এফকী সব–ইনস্পেক্টর বিনয় কুমারনা হায়খি।

# তারক্লমদাইদা হেলিকোপ্টর উংদুনা লৈখিবদগী বি জে পিগী এম পি শিরমগদৌরে



***অলৱার, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

রাজস্থানগী অলৱার পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুসনগী মীহুৎ ওইরিবা বি জে পিগী লোমেকর অমা মহাক্না তোংলিবা হেলিকোপ্টর অদুনা হেলিপেদ অমদা ঙসি তারক্লমদাইগী মাঙওইননা উরু–উরু উংদুনা লৈখিবদগী শিরমগদবদগী শন্নাদা হিংহৌরে।

অলৱারগী বি জে পি এম পি বলাক নাথনা তোংলকখিবা হেলিকোপ্টর অদু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা রাজস্থান দিষ্ট্রিক্টকী কোতকাসিম এরিয়াদা লৈবা হেলিপেদ অদুদা তারক্লবা পাইরকখি। অদুবু ঙসি অয়ুক মতম অদুদা নুংশিৎ য়ান্না কন্না শিৎখি। মদুদা পাইলোৎ অদুনা হেলিকোপ্টর অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবগুম উখি অমসুং লৈমাইদগী সুপ্নগী মীটর খরখক্কী মথক্তা মখোন শাথিনা হৌনা ঙংবা তাখি অমসুং উরু–উরু উংবা হৌরকখি।

মফম অদুগী লৈরিবা মীয়ান্না অঙকপা থৌওং অদু উবদা লাওনরকখি অমসুং হেলিকোপ্টর অদুনা লৈখাদা উফুল হৌহনবা অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনখি। অদুবু সেকেন্দ খরগী মতূংদা পায়লোট অদুনা হেলিকোপ্টর অদু অমুক হন্না নীংথিজনা পাইনবা হোৎনখি।

হেলিকোপ্টর অদুনা তারক্লবা হোৎনরিবা হেলিপেদ লৈরিবা মফম কোতাকাসিম এরিয়া অসি জয়পুরদগী কিলোমিটর ১৯০ লাপ্পী।

অঙকপা থৌওং অদু য়েংলিবা মীওই অমনা ভিদিও লৌহৌখি হায়রি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা মহন্তা বলাক নাথনা হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা ভোট লাক্ষ ৭.৬ হেন্না ফংদুনা অলৱারদগী মায় পাকখিবনি।

# ত্রিনামুল লূচিংবীগী মপুরোইবা হাৎখ্রে

***হুগ্লি, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লৈঙাক পায়রিবা পার্টি, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লূচিংবী অমসুং পঞ্চায়ট প্রধান নীতু রামগী মপুরোইবা দিলিপ রামবু ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লে। মীহাৎ অদু মফম অদুগী রেলৱে ষ্টেসনদা চংখিবনি।

মফমদুগী পার্টি লূচিংবী অমগী মপুরোইববু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবদুগী মতূংদা কোলকাতা মনাক্কী চুরচুরাদা পার্টি অসিনা পূং ২৪গী বন্দ অমা কৌখ্রে। সিটি অসিগী মফম কয়ামরুমদা লল্লোন–ইতিক অমসুং দুকান থোঙ লোন্নখ্রে।

দিলিপ রামবু হোস্পিটালদা পুখৎখি অদুবু মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে। মহাকপু নোংমৈনা কপলম্বা মীওইশিং অদু মশক খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা হৌজিক মীহাৎ অদু থিজিনবা হৌখ্রে।

# টি এম সিনা পার্লিয়ামেন্টতা বঙ্কিম চন্দ্র চত্তোপধ্যায়গী মিতম খিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

মখোয়গী ঈকাইখুম্নবা উৎচবা ঙন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা অইবা বঙ্কিম চন্দ্র চত্তোপধ্যায়গী মিতম অমা খিন্নবা ইরাই নুমিৎতা রাজ্য সভাদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি দেরেক ওব্রিয়েননা দিমান্দ তৌখে।

জুন ২৬ অসি মহাক্কী মপোক নুমিৎনি অমসুং ঐখোয়গী জাতিগী ঈশৈ ইরমখিবা কবি অমসুং অইবা অসিগী মফমদা মথঙ চহীদা মেম্বরশিংবু ঈকাইখুম্নবা উৎপা ঙমহনগদবনি হায়না ইরাই নুমিৎতা জিরো অৱারগী মনূংদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি অসিনা দিমান্দ অদু পুখৎলকখিবনি।



পার্লিয়ামেন্টকী মীফম খুদিংমক বঙ্কিম চন্দ্র চত্তোপধ্যায়না ইবা জাতিগী ঈশৈ– বন্দে মাতরম শক্লগা লোইশিল্লি। মরম অদুনা মহাক্কী মপোক নুমিৎ জুন ২৬তা মহাক্কী মফমদা ঈকাই খুম্নবা উৎপা ঙন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা ঐখোয়না মাগী মিতম অমা খিনবা মতম ওইরে হায়না অপ্পর হাউস অদুদা মাগী ৱাফম অদু পুখৎলবগী মতূং থুনমক দেরেক ও ব্রিয়েনা ত্বিট তৌখি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি লিদরনা হাউস অনীমক্কী চিয়ারদা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী ষ্টেচ্যু এন্দ প্রোট্রেট কমিটিগী মকোক্তা থুনমক মখোয়গী হায়জবা অদু ইরগা খঙহল্লগনি। মসিগী মথক্তা মখোয়না মসিবু শৌগৎপীনবা অতৈ পার্টি পূন্নমক্তা হায়জগনি হায়না ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা এম পি অসিনা কোন্না ফোঙদোকখি।

# অফগানিষ্টানদা ইলেক্সন কমিসন ইমপ্লোয়ী ৮ হাৎখ্রে

***কান্দাহার,জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

খা থংবা অফগানিষ্টানদা টালিবানগী এটেকতা য়ামদ্রবদা ইলেক্সন কমিসনগী ইমপ্লোয়ী ৮ হাৎখ্রে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

খা থংবা কান্দাহার প্রোভিন্সকী মরুফ দিষ্ট্রিক্ট সেন্টরদা ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা টালিবাননা বোম থন্না হাপ্পা গারীশিং শিজিন্নদুনা এটেক তৌরকখিবনি হায়না ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কমিসন (আই ই সি)গী ৱাঙাংলোই অমনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা হায়খি।

লাইবক থীবদি ভোটরশিং রেজিষ্টার তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মনূংদা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা থম্বা কমিসনগী ইমপ্লোয়ী ৮ হাৎখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

টালিবানগী এটেক অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই খরসু শিখি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সেন্টর অদুদা কম্যুনিকেসনশিংসু ককথৎখি হায়না কান্দাহার পুলিসকী ৱাঙাংলোই কাসিম অফগাননা হায়খি।

এটেক অদু মখোয়না তৌবনি হায়না টালিবাননা শেংদোক্লকখ্রে।



থেঙ্নাং অনীরক য়ৈথোক্কুনা লাকখ্রবা অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মীখল অসি হৌজিক সেপ্টেম্বর ২৮দা পাংথোক্লবা অনৌবা মতম লেপখ্রে। মসি হৌজিক হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টালিবান লালহৌবশিংগা শান্তিগী য়ানরোল অমা পুরক্লবগী মন্তিক্লনবা হোৎনরিবা অসিদগীসুনি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা অমেরিকাগী খ্বাইদগী শাংবা লান অদু য়োশিন্নবগী পান্দমদা দোহাদা ৱাসিংটন অমসুং টালিবাননা মন্তিক্লবা ৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমা হৌখ্রে।

ঙরাং থাংজ নুমিৎ অসিমক্তদা টালিবান লালহৌবশিংনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবদা এটেক অমা চখদুনা য়ামদ্রবদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা মিলিসিয়ামেন ২৫ হাৎখ্রবনি।

টালিবানশিং অসিনা মতম অমদা অফগানিষ্টানগী গভর্ণন্টে পায়রম্লিবনি। অদুবু অদুগুম্বা টালিবান গভর্ণমেন্ট অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শিন্দুনা থুগাইখিবা মতূংদগী মখোয়া মীরোৎ ওইদুনা লালহৌ অসি চংখরকখিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-168**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 8 | | 3 | 2 | | |
| 2 | | 3 | | 7 | | | | 8 |
| 6 | 1 | | | 2 | | | 3 | |
| 7 | 3 | | | | 6 | 8 | | |
| 8 | | 5 | 2 | | | | | 3 |
| | | 2 | | 1 | 8 | 7 | | |
| | | 7 | | 3 | 1 | | 2 | |
| | | 6 | 9 | | | | | 1 |
| | 2 | | 7 | | | | 8 | |

**সনা–সুদোকু – ১৬৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 4 | 2 | 8 | 6 | 1 | 3 | 9 |
| 6 | 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 9 | 1 | 5 | 3 | 4 | 7 | 8 | 6 |
| 4 | 7 | 6 | 9 | 1 | 3 | 2 | 5 | 8 |
| 5 | 1 | 9 | 8 | 2 | 7 | 6 | 4 | 3 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 4 | 5 | 9 | 1 | 7 |
| 1 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 | 2 |
| 9 | 4 | 7 | 3 | 5 | 2 | 8 | 6 | 1 |
| 3 | 8 | 2 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 | 4 |

# কে নতারঞ্জননা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দ চীফ ওইরে



***ন্যু দিল্লি, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

দাইরেক্টর জেনরেল কৃষ্ণস্বমি নতারঞ্জনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌনা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী ২৩ শুবা চীফ ওইনা থবক পুবা হৌখ্রে।

ফোর্স অসিগী মকোক ওইখিবা অহানবা কেদর ওফিসার রাজেন্দ্র সিংহগী মহুৎ মহাক্না শিলহৌবনি।

মহাক ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী ৫শুবা বেটচ ওফিসার অমনি। মহাক্না ফোর্স অসিদা জনুৱারি ১৮, ১৯৮৪দা য়াওরকখি। মদ্রাজ য়ুনিভর্সিটিদগী দিফেন্স এন্দ ষ্ট্রেটেজিক ষ্টদিজদা মাষ্টর'স দিগ্রীনি। মহাক ৱেল্লিংটনগী দিফেন্স সার্ভিসেস ষ্টাফ কোলেজদা তমলকখিবা মহৈরোই অমনি। প্রসিদেন্ট'স টট্রকসক মেদল অমসুং লৈবাক্কী থবক্তা অখন্নবা থবক তৌখিবগীদমক টট্রাকসক মেদল ফংখ্রে

# সেন্টরগী 'ৱান নেসন, ৱান রেসন কার্দ' স্কিমগী মায়োক্তা দি এম কেনা লেপখ্রে

***চেন্নাই, জুন ৩০(এজেন্সি)ঃ***

ওপোজিসন দ্রবিদ মুন্নেত্রা কঝগম (দি এম কে)না ঙসি 'ৱান নেসন, ৱান রেসন কার্দ' হায়বদু ফেদরেলিজমগী মায়োক্তনি হায়রদুনা সেন্টরগী স্কিম অদু য়াখিদ্রে।

বি জে পিনা লূচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মফম অমদা হেক্তা লৈবা রেসন সোপশিংদগী বিনিফিসরিশিংনা অতাবা মমলদা চেঙ–চাক লৈবা য়াহনগদবা 'ৱান নেসন, ৱান রেসন কার্দ' সিষ্টম অদু থবক্তা ওম্থোক্লবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা



জুন ৩০, ২০২০ ফাওবা চহী অমগী অরোইবা মতম থাখিবনি।

পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী ফন্দামেন্টেল রাইটস অমনি। অসিগুম্বা হকশিং খোঙ্গাওনরক্লবা মতমদা হায়রিবা স্কিম অদুনা করি ফল তাহল্লকদগে হায়বদু য়ুনিয়ন ফুদ মিনিষ্টর অদুনা খঙদ্রে হায়না দি এম কে প্রসিদেন্ট এম কে স্তেলিননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খ্রে।

স্কিম অদু তোক্লবা সেন্টরদা অপিল তৌরদুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা থবক্তা ওম্হোকপা অসি সেন্টরনা মখোয়না পূন্নমক্কী মথক্তা নমহতুনা লৈনবা হোৎনবনি হায়বসি খঙগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি। নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা ফেদরেলিজমবু মরু ফুক্তংনবগী পান্দমদা থবক চংখরক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।